# জুনিয়র ৱিমেন’স হোকি কেম্পকীদমক প্রোবেবল প্লেয়র ৩৩ গী মমিং লাউথোকখ্রে

## প্রোবেবল অসিদা মপান লমদা শান্নরিবা মণিপুরগী প্লেয়র বিচু, চনচল, সুমন য়াওরি



ন্যু দেল্লি, জুন ১৩ :
নুপী হোকিবু থাক ৱাংনা থাঙ্গৎনবা পান্দমদা হোকি ইন্দিয়ানা শিন্দুনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) সেন্টরদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র ৱিমেন’স নেসনল কেম্পতা শরুক য়াগদবা মেম্বর ৩৩ গী কোর প্রোবেবল অমা ঙসি হোকি ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

কোর প্রোবেবল প্লেয়রশিং অসি হোকি ইন্দিয়া হায় পার্ফোমেন্স দিরেক্টর দেবিট জোনগী মখাদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা চথখিবা ট্রাইয়েল সেলেক্সনদগী খনগৎখিবনি। কোর গ্রুপ অসি ইন্দিয়ান জুনিয়র ৱিমেন’স টিমগী কোচ বালজিৎ সিংহ সাইনিগী মখাদা ট্রেন তৌগনি।

কোচ সাইনিনা কুমজা ১৯৯৬ কী অটলান্টা অমদি কুমজা ২০০০ দা সিদনিদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগীদমক অনীরক রিপ্রজেন্ট তৌখ্রে। মমাঙদা মহাক্না কুমজা ২০১৬ কী জুনিয়র ৱিমেন’স স্কাদকা পুন্না থবক তৌমিন্নখি।

মহাক্কী মখাদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়াগী অন্দর ১৮ ৱিমেন’স টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। কোর গ্রুপ অসি মখোয়গী হৈশিংবা, স্পিদি, ইজিলিটি য়ুন্ফম ওইরগা খনগৎখিবনি।

নেসনল কেম্প অসি জুলাই ৩ ফাওবা চথুগনি। কেম্প অসি লাক্লিবা কুমজা ২০২০ গী জুনিয়র ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইননবগী মীৎয়েংদা প্লেয়রশিং মতিং থোক্লা শান্নবা ঙম্নবগীদমক শান্নখিবনি।

জোননা হায়খি, ঐখোয়না মে ২৪ দগী চথুরকখিবা নেসনল কেম্পতগী প্লেয়র ৩৮ গী হৈথোই শিংথোইবশিংদু কুপ্না য়েংশিল্লে অমদি হোকি ইন্দিয়াগী সেলেক্সন কম্মিটিনা অমুক হন্না কোর প্রোবেবল প্লেয়র ৩৩ খনগত্তুনা মখোয়গী ট্রেনিংশিং চথুরি।

মসিগী কোর গ্রুপ অসিদা সাইনি টফিক এদভাইজর, ভিদিও এনলাইষ্ট, ফিজিওথেরাপিষ্ট অমদি মাসেয়ুজশিং য়াওবা সপোর্ট ষ্টাফশিং পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নুপী জুনিয়রগী কোর গ্রুপতা য়াওরিবা প্লেয়রশিং অদুদি গোলকিপরদা খুশবু (হোকি ভোপাল), বিচু দেবী খারিবম (মৈদ্য প্রদেশ হোকি একাদেমী), চনচল (হোকি চান্দিগর)নি। দিফেন্দরদর প্রিয়াঙ্কা (হোকি চান্দিগর), সালিমা টেতে (হোকি ঝরখন্দ), অস্মিতা বারলা (হোকি ওদিষা), অলকা দুং দুং (স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, সাই), উমরা (হোকি হিমাচল), গগনদিপ কোর (হোকি হরিয়ানা), অন্টিম (হোকি হিমাচল), মনিশা চৌহান (হোকি উট্টরাখন্দ), ইসিকা চৌধুরি (মৈদ্য প্রদেশ হোকি একাদেমী), সুপ্রিয়া মুন্দু (হোকি ঝরখন্দ)নি। মিদ ফিল্ডরদা মহিমা চৌধুরি (হোকি হরিয়ানা), সুমন দেবী থৌদাম (মৈদ্য প্রদেশ হোকি একাদেমী), সুনিতা যাদব (উট্টর প্রদেশ হোকি), মরিয়ানা কুজুর (হোকি ওদিষা), জয়োটি (এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিজ), মঞ্জু চোরসিয়া (হোকি হিমাচল), বালজিৎ কোর (হোকি পঞ্জাব), শধনা সেঞ্জর (মৈদ্য প্রদেশ হোকি একাদেমী), জিৱান কিশ্বোরি তোপো (হোকি গাংপুর-ওদিষা), প্রিমঞ্জালি (তোপো হোকি গাংপুর-ওদিষা)নি। ফোরৱার্দতা শঙ্গিতা কুমারী (হোকি ঝরখন্দ), লালরেমসিয়ামি (স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া), দিপিকা সোরেং (হোকি ঝরখন্দ), মমতাজ খান (উট্টর প্রদেশ হোকি), লালরিনদিকী (হোকি মিজোরাম), অমরিন্দর কোর (হোকি হরিয়ানা), জানহাবি প্রধান (হোকিগাংপুর-ওদিষা), য়োগিতা বোরা (উট্টর প্রদেশ হোকি), অমরিটপাল (হোকি চান্দিগর) অমদি রিট (হোকি হরিয়া) নি হায়রি।

# সাইনা নেহৱালনা রাটচানোকপু মায়থীবা পীদুনা ইন্দোনেসিয়া ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

জকরটা, জুন ১৩ :
অহুমলক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সাইনা নেহৱালনা মফম অসিদা চথরিবা ইন্দোনেসিয়া সুপর সেরিজ প্রেমিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা ওপন্নিং রাউন্দ মেচতা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্লা কেম্পেন হৌখ্রে।

চহী তরেৎ অসিদা অহানবা ওইনা মালেমগী রেঙ্কিংগী টোপ টেনগী ৱাংমদা লৈখ্রবী সাইনানা থাইগী ৮শুবা সিদেদ অমদি হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন রাটচানোকপু ১৭-২১, ২১-১৮, ২১-১২ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দগী খুমাং চাউশিনখি।

রাটচানোকা য়েংনবদা ৭-৫ দা মায় পাক্তুনা লৈরিবা সাইনানা অনীশুবা রাউন্দ মেচতা থাইগী প্লেয়র নিটচাউন জিন্দাপোলগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান টাই জু য়িংগা লম্বা তৌদুনা শান্নরবা য়াই।

মিক্স দবলসতা বি সুমিথ রেদ্দি অমদি অস্বিনি বোনাপানা ইন্দোনেসিয়াগী কোম্বো ইর্ফান ফাধিলাহ অমদি ৱেনি এঙ্গ্রাইনিগী মখুত্তা ১২-২১, ৯-২১ দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

সাইনানা মেচ অদুদা নীংথিনা শান্নবা হৌরকখিদুনা অহানবা ষ্টেজদা ১০-৪ দা মাংজিল থানা চৎখি। অদুবু রাটচানোকনা নীংথিনা খুৎ হল্লক্তুনা শান্নরকখিবদগী মবানিনা ১৪-১৪দা চাং মান্ননা লৈখি। অদুবু অরোইবদা রাটচানোকনা মশক থোকপা পার্ফেমেন্স পীরকখিবদগী অহানবা গেম অদু মহাক্না মায় পাকখি।

অনীশুবা গেম হৌখিবগা সাইনানা ১২-৭ তা মাংজিল থানা চৎখি অমদি থাইগী নুপীমচা অসিনা অথুবদা খুৎ হল্লকখিবদগী ১৪-১৪ দা চাং মান্ননা লৈখি। তুংদা ইন্দিয়ন অসিনা এটেকশিং তৌখিদুনা গেম অদু মায় পাকখি।

দিসাইদরদা সাইনানা গেম অদু দোমিনেট তৌনা চৎখিবগা লোয়ননা গেম হেক হৌখিবগা মহাক্না ৮-২ দা মাংজিল থাখি অমদি মহাক্না রাটচানোকপু গেম অদুদা হল্লকপা ঙমদনবা নমহৎখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী মচিন তুঅখৎলক্লিবা নুপাগী দবলস জুরা সাটৱিকসাইরাজ রাঙ্কিরেদ্দি অমদি চিরাগ সেটিনা মখোয়গী মায়োক্নখিবা লম্বাবু নিংথৌকাবা নুমিত্তা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীখিদুনা ইন্দোনেসিয়ান ওপন সুপর সেরিজ প্রেমিয়র বেটমিন্টনগী মেন দ্রোদা চঙবা ঙমখি।



সাটৱিক অমদি চিরাগনা ইন্দোনেসিয়াগী জুরা অল্টোফ বারিগ অমদি রৈনার্দ ধানরিয়ানোবু মিনিট ৩০ চঙনা শান্নখিবা অহানবগী ক্বালিফাইয়িং মেচতা ২২-২০, ২১-৯ দা মায়থীবা পীখি।

জুরা অসিনা ইন্দোনেসিয়াগী কোম্বো সাবর করিয়ামন গুটামা অমদি ফ্রেঙ্কি ৱিজয়া পুট্রাবু মিনিট ৩৬ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৮, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রোগী ওপন্নিং রাউন্দা চঙখি।

# আই সি সি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি: পাকিষ্টাননা শ্রীলঙ্কাবু ৱিকেট অহুমদা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

## সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়া-বাংলাদেশ, পাকিষ্টান-ইংলেন্দ শান্নরগনি

কার্দিফ, জুন ১৩ :
পাকিষ্টাননা মফম অসিদা চথরিবা আই সি সি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী নিংথৌকাবা নুমিত্তা শান্নখিবা মেচতা শ্রীলঙ্কাবু ৱিকেট ৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা লাষ্ট ফোরদা য়ুম্বু ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

টোস ঙমখিবা পাকিষ্টাননা ফিল্ডিং খনখিবদগী শ্রীলঙ্কাবু অহানবা বেট্টিং তৌহনখি। মদুদা শ্রীলঙ্কানা ওভর ৪৯.২ দা ৱিকেট পুন্নমক আউট ওইরগা রন ২৩৬ লৌদুনা পাকিষ্টানগীদমক টার্গেট রন ২৩৭ থল্লমখি। মদুগী পাউখুমদা পাকিষ্টাননা টার্গেট রন লৌনবা তানখৎখিবদা ওভর ৪৪.৫ দা ৱিকেট তরেৎ আউট ওইরগা রন ২৩৭ লৌদুনা শ্রীলঙ্কাবু ৱিকেট অহুমদা মায়থীবা পীখি।

শ্রীলঙ্কানা অহানবা ইন্নিংসতা মখোয়গী ওপনর বেটসমেন অমদি ৱিকেট কিপর নিরোশন থিকৱেল্লানা বোল ৮৫ তা বাউন্দরি মরি য়াওনা রন ৭৩ লৌদুনা টিমগীদমক মতিং থোক্লা শান্নখ্রবসু অতোপ্পা বেটসমেনশিংনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিদবদগী মায়থীনবগী মচাক ওইখি। পাকিষ্টানগী বোলরশিংনা পীখিবা ফজরবা পার্ফোমেন্সতা কেপ্টেন এঞ্জেলো মেথিয়ুসনা বোল ৫৪ দা বাউন্দরি মরি য়াওনা সিক্স অমা কনখিদুনা রন ৩৯ লৌদুনা দিকৱেল্লাগী হেক মথংদা শ্রীলঙ্কাগী খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইখি। পাকিষ্টানগী বোলরশিংনা শ্রীলঙ্কাগী বেট্টিং লাইন থুগায়খিবা অদুনা মরম ওইদুনা শ্রীলঙ্কাগী অতোপ্পা বেটসমেন মরি খক্তনা রন ১০ গী মথক লাম্হোকপা ঙমখি।

পাকিষ্টানগী বোলর জুনেদ খান অমদি হাসন অলিনা ৱিকেট অহুম-অহুম লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী ৱিকেট য়াম্না লৌবা বোলর ওইখি। মোহমদ অমির অমদি ফাহিম অশ্রফনা ৱিকেট অনী অনী লৌদুনা টিমনা মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।

শ্রীলঙ্কানা পীরম্বা টার্গেট রন অদু তান্নখিবদা পাকিষ্টানগী ওপনর বেটসমেন অঝার অলি (৩৪)অমদি ফাখর জামন (৫০) অনীগী পার্টনরশিপ্তা ওভর ১১.২দা রন ৭৪ লৌরম্লগা আউট ওইখ্রবা মতুং বাবর অজাম (১০), মোহমদ হাফিজ (১) অমদি সোইব মালিক (১১) না অনেম্বা রনশিং লৌরম্লগা ক্রিজদগী মপান থোকখিবদগী টিমদা লৈতাদবা ফীভম ওইহনখি। টিম কেপ্টেন সরফরাজ অহমেদনা নোট আউটতা লৈদুনা বোল ৭৯ দা বাউন্দরি ৫ য়াওনা রন ৬১ অমদি ফাহিম অশ্রফনা রন ১৫ লৌদুনা টিমনা মায় পাক্নবগী লম্বীদা চিংশিনখি। অমিরনা বোল ৪৩দা বাউন্দরি অমা য়াওনা রন ২৮ লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।

# জোর্দানগী খোঙউপ ওক্সন্দা য়ু এস দোল্লর ১৯০,৬৭২ দা য়োনখ্রে

ন্যুয়োর্ক, জুন ১৩ :
কুমজা ১৯৮৪ গী লোস এঞ্জেলস ওলেম্পিক্সতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মাইকেল জোর্দাননা বাস্কেটবোল ফাইনেলদা তোংখিবা খোঙউপ অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ওনলাইন ওক্সন্দা য়ু এস দোল্লর ১৯০,৬৭২ দা য়োনখ্রে হায়না ওক্সন অদুগী হাউসনা ফোঙদোকখ্রে।

লোস এঞ্জেলস ওলেম্পিক্স ফাওবদা এমেচর অমা ওইনা লৈরম্বা জোর্দাননা অঙৌবা অমদি হিগোক মচুগী কনভর্স ব্রান্দগী খোঙউপ অদু তোংদুনা কুমজা ১৯৮৪ গী ওগষ্ট ১০ দা স্পেনগী মায়োক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পোইন্ট ২০ লৌখিদুনা য়ু এসনা ৯৬-৬৫ দা য়াম্না চাউনা মায়থীবা পীখিবনি।

জোর্দাননা গেমস অদুদা এমেচর অমা ওইনা য়ু এস ওলেম্পিক টিমগীদমক অরোইবা ওইনা শান্নখি অমদি মমিং লৈরবা কোচ বোবি নাইটকী লিচিং মখাদা শান্নখিবা মেচ নিপান্দা এভরেজদা পোইন্ট ৩০ ফংখিদুনা মায় পাকখিবনি। স্পেনগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচ অদুগী মতুংদা জোর্দাননা মহাক্কী খোঙউপ অদু মশাগী সাইনগা লোয়ননা চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমদা পীথোকখি। জোর্দাননা নাইকি নত্তবা অতোপ্পা খোঙউপ অমা তোংবসি মদুনা অরোইবসু ওইখি হায়না ওক্সন অদুবু শিনখিবা এস সি পি ওক্সন হাউসনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৮৪ গী ওলেম্পিক্স মতুংদা জোর্দাননা নাইকিগা য়ু এস দোল্লর ৫০০,০০০ গী দিল অমা খুৎয়েক পীনখি অমদি নাইকিনা চহীদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৫ তানখি হায়না ঈ এস পি এননা ফোঙদোকখি।

মেচ অমদা তোংখিবা খোঙউপ ওক্সন তৌবদা শিংখিবা শেনফম অসি জোর্দানগী অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইগনি হায়না থাজনরি অমদি মসিনা জোর্দানগী কুমজা ১৯৯৭ কী নেসনল বাস্কেটবোল লিগ ফাইনেলদা তোংখিবা খোঙউপতগী কুমজা ২০১৩ দা ওক্সন তৌখিবা য়ু এস দোল্লর ১০৪,৭৬৫ তানখিবগী রেকোর্দ অদু থুগায়খি।




Accessible India Campaign
Accessible India - Empowered India

স্বাবলম্বন
Swavlamban

# স্কোলারসিপশিং

## দিসেবিলিটিশিং লৈবা মহৈরোয়শিংগীদমক

**দিসেবিলিটিশিং লৈবা মহৈরোয়শিংদা মহৈ-মশিং তম্বগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক দিসেবিলিটিশিং লৈবা মীওইশিংগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্পৱারমেন্টনা ইদ্যুকেসনগী খুৎথাংদা মখোয়দা ইম্পৱারমেন্ট পীনবা মখাগী স্কোলারসিপ স্কিমশিং অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌরক্লি:**

| সে. নং. | স্কিমশিং | কভর তৌবা কোর্সশিং | চহীগী স্কোলারসিপশিংগী মশিং | চহীগী পেরেন্টেল সিলিং (₹.) | স্কোলারসিপশিংগী রেট | করম্না এপ্লাই তৌগনি |
|---|---|---|---|---|---|---|
| ১। | দিসেবিলিটিশিং লৈবা মহৈরোয়শিংগী মেত্রিক মমাঙগী স্কোলারসিপ | ক্লাস নাইন অমসুং টেন | ৪৬,০০০ | লাক্ষ ২.০০ | দে স্কোলারসিপ ওইনা থাগী মেন্টেন্সে এলোৱেন্স লুপা ৩৪০ অমসুং হোষ্টেলরশিংগীনা লুপা ৬০০০ অহেনবা ওইনা লাইরিক অমসুং এধোক গ্রান্ট অমসুং গ্রান্সপোর্ট এলোৱেন্স, ৱিদর এলোৱেন্সনচিংবা অতৈ এলোৱেন্সশিং। | স্কোলারসিপ স্কিম অহুম অসি নেসনল স্কোলারসিপ পেটেলগী খুৎথাংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌরি। ওনলাইনদা নেসনল স্কোলারসিপ পোটেল (www.scholarships.gov.in) দা এপ্লাই তৌ। জুন ১,২০১৭ তগী নহাক্না/ওনলাইনদা এপ্লাই তৌবা য়াই। এপ্লিকেসনশিং সবমিট তৌবগী অরোইবা তারিখ মখাগী অসুম্না পীরি: (স্কিম / ফ্রেশ এপ্লিকান্ট / রিন্সুৱেল এপ্লিকান্ট — মেত্রিক মমাঙ: ৩০.০৯.২০১৭, ৩১.০৭.২০১৭; মেত্রিক মতুং: ৩১.১০.২০১৭, ৩১.০৭.২০১৭; তোপ ক্লাস ইদ্যুকেসন: ৩১.১০.২০১৭, ৩১.০৭.২০১৭) |
| ২। | দিসেবিলিটিশিং লৈবা মহৈরোয়শিংগী মেত্রিক মতুংগী স্কোলারসিপ | ক্লাস ইলিভেনদগী মাষ্টর দিগ্রি নত্রগা দিপ্লোমা লেভেল | ১৬,৬৫০ | লাক্ষ ২.৫ | তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা দিগ্রি, দিপ্লোমানচিংবা লাক্নদবা পোষ্ট-গেজ্যুএট, গ্রেজ্যুএট, দিপ্লোমা, প্রোফেস্নেল কোর্সশিংগী তোঙান তোঙানবা রেটশিং লৈ। মসি হোষ্টেলরশিংগীনা থাদা লুপা ৬৫০-১২০০ অমসুং দে স্কোলারসিপগীনা থাদা লুপা ৪০০-৫৫০ গী বেজদা লৈ, মসিগী মথক্তা ট্যুইসন ফী (চহীগী মেক্সিমম সিলিং লুপা লাক্ষ ১.৫০), লাইরিক্কী এলোৱেন্স অমসুং ট্রান্সপোর্ট এলাৱেন্স, ৱিদর এলোৱেন্স অসিনচিংবা অতৈ এলোৱেন্সশিংসু পীবা য়াই। | |
| ৩। | দিসেবিলিটিশিং লৈবা মহৈরোয়শিংগীদমক তোপ ক্লাস ইদ্যুকেসনগী স্কোলারসিপ | নোটিফাইদ তৌবা য়াম্না ফবা ইন্সটিট্যুসন ২৪০ দগী পোষ্ট গ্রেজ্যুএট দিগ্রি নত্রগা দিপ্লোমা | ১৬০ | লাক্ষ ৬.০০ | হোষ্টেলরশিংগী থাগী মেন্টেনেন্স এলাৱেন্স লুপা ৩০০০/-, দে স্কোলারশিংগী লুপা ১৫০০/-, থাগী দিসেবিলিটি এলোৱেন্স লুপা ২০০০/-, লাইরিক্কী গ্রান্ট ওইনা চহীগী লুপা ৫০০০/- অমসুং চহীগী ট্যুইসন ফী লুপা লাক্ষ ২ ফাওবা। | |
| ৪। | দিসেবিলিটিশিং লৈবা মহৈরোয়শিংগী নেসনল ওভরসিজ স্কোলারসিপ | মপানগী ফোরন য়ুনিভর্সিটিশিংদা মাষ্টর্স দিগ্রি অমসুং দোক্তরেট দিগ্রি | ২০ | লাক্ষ ৬.০০ | য়ুকেগী ওইনা চহীদা পাউন্দ (গ্রেট বৃটেন) ৯,৯০০ অমসুং অতৈ লৈবাকশিংগীনা য়ু এস দোলর ১৫,৪০০, মসিগী মথক্তা ট্যুইসন ফীশিং, কন্টেনজেন্সি এলোৱেন্স, এইরপেসেজগী অচংমল অসিনচিংবা। | এপ্লিকেসনশিং সবমিট তৌবগী প্রোফোর্মা দিপার্টমেন্ট অসিগী ৱেবসাইট হায়বদি www.disabilityaffairs.gov.in দা পীরি। এপ্লিকেসনশিং প্রিসক্রাইব তৌবা প্রোফোর্মাদা অন্দর সেক্রেটরি (স্কোলারসিপ), দিপার্টমেন্ট ওফ এমপৱারমেন্ট ওফ পার্সনস ৱিথ দিসেবিলিটিশিংদা সবমিট তৌবা য়াই। অরোইবা তারখি -ওক্তোবর ৩১.২০০৭। |
| ৫। | দিসেবিলিটিশিং লৈবা মীওইশিংগী নেসনল ফেলোসিপ | এম. ফিল/পি.ঐচ.দি | ২০০ | ইনকমগী সিলিং লৈতে | জে আর এফ (অহানবা চহী অনী) কী ওইনা থাগী লুপা ২৫,০০০ অমসুং এস আর এফ (৩শুবা চহীদগী কোর্স মপুং ফানা লোইবা ফাওবা) মীনা থাদা লুপা ২৮,০০০) অমসুং কন্টিজেন্সি গ্রান্ট, এস্কোর্ট এলোৱেন্স/ৱিদর এলোৱেন্স অমসুং হাউস রেন্ট এলোৱেন্স (এপ্লিকেবল রেটশিংদা)। | য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসননা সেলেক্সন তৌই। য়ুজিসিনা এপ্লিকেসনশিং ইনভাইট তৌবা মতমদা কেন্দিদেটশিংনা য়ুজিসিগী ৱেবসাই ugc.ac.in দা এপ্লাই তৌবা য়াই। এপ্লিকেসন অমত্তা দিপার্টমেন্ট ওফ এম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসেবিলিটিদা থানিঙাই ওইদে। |

| স্কিম | ফ্রেশ এপ্লিকান্ট | রিন্সুৱেল এপ্লিকান্ট |
|---|---|---|
| মেত্রিক মমাঙ | ৩০.০৯.২০১৭ | ৩১.০৭.২০১৭ |
| মেত্রিক মতুং | ৩১.১০.২০১৭ | ৩১.০৭.২০১৭ |
| তোপ ক্লাস ইদ্যুকেসন | ৩১.১০.২০১৭ | ৩১.০৭.২০১৭ |

মথক্কী স্কোলারসিপ স্কিম পুন্নমক চাদা ৪০ দগী হেনবা দিসেবিলিটিশিং লৈবা অমসুং হিরম অসিগা মরী লৈননা কমপিটেন্ট মেদিকেল ওথোরিটি অমনা ইসু তৌবা মতিক চাবা দিসেবিলিটি সার্টিফিকেট অমা পাইবা দিসেবিলিটি লৈবা মহৈরোয়শিংদা চৎনহনবা য়াই। দিসেবিলিটি অসি রাইটস ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসেবিলিটি এক্ট, ২০১৬ তা দিফাইন তৌরি।
স্কোলারসিপ স্কিমশিং অসিগী মখা তাবা অকুপ্পশিংগীদমক্তা ভিজিট তৌবীয়ু: www.disabilityaffairs.gov.in

**মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্ট**
**দিপার্টমেন্ট ওফ এম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন ৱিথ দিসেবিলিটিজ (দিভ্যাংজান)**

davp 38117/13/0018/1718